
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)
Vol. 49, Issue No. 220 | ইরাই, হিয়াঙ্গৈগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, November 14, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# এ কে ভল্লানা মহাক্কী কাউন্সিল ১সুং সিক্যুরিটিগী মীফম পাঙথোকখ্রে বি জে পিগী লুচিংবা ২ লাক্লবসু লৈঙাক শেম্বগী ইনিল ফংদ্রি

### বি এল সন্তোশ অমসুং সম্বিত পাত্রনা চুড়াচান্দপুরদা চৎতুনা কুকি-জোগী এম এল এ খরা উন্নখ্রে, রিলিফ কেম্পতা চঙদুনা আই দি পিশিংগী ফীভমসু য়েংশিল্লুরে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেট এনিমেশনদা থম্লগা নুমিৎ অদুদগী অহানবা থা ৬কী ওইনা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখ্রবা মতুং অতোপ্পা থা ৬কী মতম অমুক্সু শাংদোকহল্লক্তুনা মথং চহী ২০২৬কী ফেব্রুৱারী ১২ ফাওবা চৎনগদৌরিবা লৈঙাক অসি লোইশিন্দুনা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা শেম্নবা মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক লুচিংলম্বা বি জে পিগী এম এল এশিংনা কন্না তকশিনবদগী ঙরাং মখোয়গী পার্টিগী লুচিংবা অনী ইম্ফালদা লাকখ্রবসু ঙসি ফাওবদদি অথুবা মতমদা পি আর লৈঙাক থুপচিল্লগা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা লৈহল্লকপগী ইনিল ফংদ্রি।

বি জে পিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি বি এল সন্তোশ অমসুং নোর্থ-ইষ্টকী কোওর্দিনেটর সম্বিত পাত্রনা ঙরাং ইম্ফালদা হেক য়ৌরকপগা নুংথিল পুং ১.৩০দগী হৌরদুনা পুং ২ রোম চুপ্না থম্বাল শঙলেন্দা পার্টি অসিগী মণিপুরগী এম এল এশিংগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা মীফম পাঙথোকখ্রবসু লুচিংবা অনীগী মায়কৈদগী পি আর লৈঙাক লোইশিনবা অমসুং অনৌবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী চপ চাবা মতম লৈখাই তাবা ঙমখিদ্রি।

অদুম ওইনমক পার্টি অসিগী মণিপুরগী এম এল এশিংনা মখোয়না লুচিংবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা অথুবা মতমদা শেমদুনা লৈহন্নীংবগী অপাম্বদি লুচিংবা অনীনা ময়েক শেংনা খঙলে হায়রি।

অদুবু পি আর লৈঙাক অসি খাঙতপ্তা থুপচিল্লগা মসিগী মহুত্তা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনবগী ৱাফমদি ঙরাংদগী লাক্তুনা ঙসি ফাওবা ষ্টেট অসিদা লৈরক্লিবা পার্টি অসিগী নেশনল লিদর অনী খক্তনা লেপথোকপা ঙমদে হায়রি। মরম অসিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদদি অনৌবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# প্রসিদেন্টস রুল লৈরবসু চীংদদি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম হোত্রোং হোরি

### নোনে পুলিস ষ্টেশন মনাক্তা অহিং য়ারেক্তুনা লৈবা ত্রক অমগী ৱিন্দসিল্ড থুগাইরম্লে, গাড়ী ড্রাইভরশিংদগী শেল মুল্লগা লৌখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** চহী খরগী মমাঙদগী ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মণিপুরদদি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈঙাক্কী লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংনা লো এন্দ ওর্দর চৎনহন্নবা হোৎনরবসু চীংদদি চৎনহনবা ঙমদবদগী লো লৈতে হায়বগী ৱাফম হায়নরক্লিঙৈগী চৈরক্তা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেট এনিমেশনদা থম্লগা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক চলাইরক্লবসু চীংদদি অদুমক লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম হোত্রোং হোদুনা লৈরি।

ফীভম অসিগী মনুং চনবনি হায়বা য়ারবা থৌদোক অমা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বী পরিংদা লৈবা নোনে পুলিস ষ্টেশনগী মনাক্তা থোকখ্রে। থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি হায়না মসিবু হকথেংনহৌবা গাড়ী ড্রাইভরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা মতমসিদা জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না তোঙান তোঙানবা পোৎ চৈশিং পুদুনা লাকপা ত্রক ১৭৭ রোম নোনে পুলিস ষ্টেশন মনাক নক্না অহিং য়ারেক্তুনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা শকখঙদবা মীওই খরা লাক্লগা ত্রকশিং অসিগী মনুংদা অমা (এম এন-০৭/সী-১১২০) গী ৱিন্দসিল্ড থুগাইরম্বগা লোয়ননা অহিং য়ারেক্তুনা লৈরিবা ত্রকশিং অসিগী ড্রাইভরশিংদগী অয়াও-অয়াওবা শেলশিং নম্ফুন্দা মুল্লগা লৌখ্রে হায়রি।

য়াম্লবা ত্রকশিং অসি ইম্ফাল তম্না য়ৌশিল্লকপা ঙমদবদগী মফম অদুদা অহিং য়ারেল্লগা ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌনা ইম্ফালগীদমক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### অফ্রিকান স্বাইন ফিবর

# ককচীং ১সুং চুড়াচান্দপুরদা শন্দোরক্লে, চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে




**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** লৈঙাক্কী সেক্রেটরিএট : ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি লোয়শঙনা ঙসি থোকপা নোটিফিকেশন অমদা ককচীং অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অহুমদা ওকশিংদা নাহনবা লায়না 'অফ্রিকান স্বাইন ফিবর' শন্দোরক্লেহায়বগী ৱাফম লেবোরেটরিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না কনফার্ম তৌরে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ঙসি বাল সাহিত্য পুরুস্কর এৱার্দ

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):** চৎলিবা চহী ২০২৫গী ওইনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লোল ২৪দা ইবা লাইরিক্তা য়ূম্ফম ওইদুনা পীবা বাল সাহিত্য পুরুস্কর ২০২৫গী মনা হয়েং অঙাংশিংগী নুমিৎতা ন্যু দেল্লীগী ত্রিবেনি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা লাম্থোক্লগানি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## হুইয়েন লানপাউগী 'অল্কা থোকচোম' দা মণিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০২৫ পীরক্লে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** লৈঙাক্কী দি আই পি আরনা চৎলিবা চহী ২০২৫গী তোঙান তোঙানবা কেটেগোরি ৭তা মণিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০২৫ পীননবা খনগৎলকপদা হুইয়েন লানপাউগী স্পেশল করেস্পোন্দেন্ট ওইরিবী অল্কা থোকচোমদা এৱার্দ অসি 'স্পোর্টস রিপোর্টিং কেটেগোরি' দা পীরগনি হায়না লাউথোরক্লে।

মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এৱার্দ অসি পীদুনা ইকায়খুম্নগদৌরবী অল্কা থোকচোম মশাগী চহী ২৬ শুরে। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# পুবা-থাঙবা ঙমদবা দিমান্দগী মায়োক্তা শিন্থা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে




**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মহৈশঙশিংগী মহৈরোয়শিংবু হোনে দাক-হোঞ্জিন তৌরক্লিবা ইকো/মারুটি ভেনচিংবশিংগী অপূনবা লূপ ওইরিবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস ত্রান্সপোর্টরস এসোসিএশনগী থৌমীশিংনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফম খরদা নোংমগী শিন্থা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# উখ্রুলদা বাইক রেল্লি চৎলুবা মীতৈ-পাঙলশিং শঙ্কাই কুকি খুলদা ফূরকখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মোভা শুরুং (কেভ) দা বাইক রেল্লি চৎলুবা মীতৈ-পাঙল নহাশিংনা হল্লকপগী লম্বীদা লিতান পুলিস ষ্টেশন য়ৌগদবা কিলোমিটর ৩ মখায় রোম ৱাৎলিঙৈদা লৈবা শঙ্কাই কুকি খুল য়ৌরকপদা খুল অসিগী লমহেন-তুহেনবশিংনা ফূরুকপদগী নহা অনী শোক্তুনা জেনিমসতা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। শোক্তুনা লায়কন্নরিবশিংদি উরুপ ময়ায় লৈকায়দগী এম দি অলটাব হুসেন (২৩), অপোকপা এম দি বাবু (য়েৎ থংবা খোঙগী শরূ তেকপা) অমসুং কৈরাওদগী এম দি য়াকুব (২২) (য়েৎ থংবা খুদাংদা শোকপা) নি। এম দি য়াকুবতি অহান লায়েং পীরবা মতুংদা লায়েংশঙ অসিদগী দিসচার্জ তৌদুনা ময়ূমদা হনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিদা খোঙগী শরূ তেকপদগী লায়কন্নরিবা অলটাব হুসেননা হায়, ঙরাং অয়ূক পুং ৯ লোম তারকপদা মখোয় ৩২না শাবা মুস্লিম রাইদরস ক্লবকী টিম অমনা বাইক ১৬তা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মোভা কেভতা চৎখিবনি। মখোয়গী খোঙচৎ অসি ময়ায় কাবা চীঙাক্তগী মীয়াম্না লাপথোক্লা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## দেঙ্গিগী পোজিটিভ কেস ৭৭

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):** লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গিগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ৭৭ থেংনরে হায়রি।

অনৌবা কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট-৫২, ইম্ফাল ইষ্ট-১৮, বিষ্ণুপুর-২, থৌবাল-২, সেনাপতি-১, চান্দেল-১ অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা ১ থেংনবনি হায়রি।

## বিহারগী মীরেপ ২৪৩গী লাইবক

**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী):** থা অসিগী ৬ অমসুং ১১দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা বিহার এসেমব্লি ইলেক্সনগী ভোট মশীং থিবগী থবক হয়েং অয়ূক পুং ৮ তারকপদগী হৌরগনি। পুংফম অসিদগী পোষ্টেল বেলোটশিং হান্না মশীং থিরবা মতুংদা অয়ূক পুং ৮.৩০ তারকপদগী মীখল অসিদা শীজিন্নখিবা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শিং মশীং থিগনি।

মতাংসিদা পনবা য়াবদি, হৌখিবা কুম্জা ১৯৫১দগী হৌরক্লগা হন্দক পাঙথোকখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

